### ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬

# দৈগো ফোরলানগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা মুম্বাই এফ সি না নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে


মুম্বাই এফ সি গী মায়কৈদগী মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কেপ্টেন ফোরলান

*মুম্বাই, ওক্তোবর ০৭ঃ*
আই এস এল সিজন থ্রিগী ঙসি শান্নখিবা ৭ শুবা লীগ মেটচ অমদা মুম্বাই এফ সি না নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু দৈগো ফোরলানগী পেনাল্টিগী মতেংনা চনখিবা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী টিম অসিনা মুম্বাইগী মখুত্তা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিখিবা অসি আই এস এল সিজন থ্রি অসিগী অহানবা মেটচ অনী থংন–থংননা থোইরবা মতুং অহানবা মায়থিবা ওইরি।

ঙসি মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা লীগ অসিগী ৭ শুবা মেটচ অদু হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি।

মেটচকী ১৩ শুবা মিনিটতা মুম্বাইগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা পাঞ্জল ওইবা য়াবা বোল অমা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী কেপ্টেন ঝোকোরানা য়াম্না ফজনা হেদ্দিং তৌথোকখিদুনা পাঞ্জল চলহনখিদে।

শান্নবগী ১৯ শুবা মিনিটতা মুম্বাইগী ষ্ট্রাইকর খোংজিনা য়ার্দ ২০ গী অরাপ্পদগী কাউশিল্লকখিবা য়াম্না ফজবা সোট অমা নোর্থ ইষ্ট কিপর সুব্রতা পোলনা ফাদুনা পাঞ্জল ওইহনখিদে।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরোই লোইশিল্লকদৌরবা মতম শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনিটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোই উরুগ্বে মচা অলফারোনা ফংলম্বা য়াবা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোই য়ুসানা পাস পীরকপদা ঙরা শোয়খিবদগী মুম্বাইগী শান্নরোইশিংগী মখুত্তা বোল অদু তাখি।

অহানবা হাল্ফ অদুদা নোর্থ ইষ্টকী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চথদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লক্কবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনিটতা মুম্বাইনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা পেনাল্টি এরিয়া মনুং য়ৌশিল্লক্তুনা পাঞ্জল ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখি। অদুবু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোই রেগান সিংহনা বোল অদু থিংনবা হোৎনবদা মুম্বাইগী হালদরগী মখোংদা কাউশিল্লুবদগী রেফরিনা পেনাল্টি অমা পীখি। পেনাল্টি অদু মুম্বাইগী কেপ্টেন ফোরলাননা অশোয়–অঙাম য়াওহন্দনা কাউশিন্দুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

পাঞ্জল অমা শোখরবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিন্নবগীদমক অমনা অমগী এরিয়াদা বোল হেন্না পুশিন্নদুনা এটেক কন্না চথনবা লেপ্পখিদে। অদুবু শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লবদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেটচ অদু মুম্বাইনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখি।

**ISL SEASON 3, 2016**

| POS | TEAMS | M | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | NORTHEAST UNITED FC | 3 | 2 | 0 | 1 | 3 | 1 | 2 | 6 |
| 2 | MUMBAI CITY FC | 2 | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | 6 |
| 3 | ATLÉTICO DE KOLKATA | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 2 | 1 | 4 |
| 4 | DELHI DYNAMOS FC | 1 | 1 | 0 | 0 | 3 | 1 | 2 | 3 |
| 5 | CHENNAIYIN FC | 2 | 0 | 1 | 1 | 3 | 5 | -2 | 1 |
| 6 | FC PUNE CITY | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |
| 7 | FC GOA | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 2 | -2 | 0 |
| 8 | KERALA BLASTERS FC | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | -2 | 0 |

# ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস জপান ওপনগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*টোকিও, ওক্তোবর ০৭ ঃ*
জপানগী সহর টোকিওদা লৈবা অরিয়াকে কোলিসিয়মদা ঙসি শান্নখিবা জপান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা ফ্রান্সকী শান্নরোই গেল মোনফিলস সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

মোনফিল্সনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ক্রোএসিয়াগী আইভো কার্লোভিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং টাই ব্রেক সেট অনীদা ৭–৬ (৮–৬), ৭–৬ (৮–৬) তা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবা গেল মোনফিল্সনা সেমি ফাইনেলদা লুজেমবর্ককী শান্নরোই গালইস মুল্লরবু থোইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিওসকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন লম্বা তৌনরগনি।

২০১৪ গী য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন ওইখিবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্না মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা আর্জেন্টিনাগী জোন মোনাকোবু ৭–৫, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন্না পোর্টুগালগী শান্নরোই জোৱা সোজাবু ১–৬, ৭–৫, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা মারিন সিলিক্না থেংনরগনি।

# স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং কানাদাগী মিলোস রাউনিক চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে


চাইনা ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদাল

*বৈজিং, ওক্তোবর ০৭ ঃ*
চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা পাঙথোক্লিবা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং কানাদাগী মিলোস রাউনিক মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা ফ্রান্সকী এদ্রিয়ান মানারিনোবু অহানবা সেট অদুদা য়াম্না কোম্না ৬–১ দা থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা সেট অদুদা ফ্রান্সকী শান্নরোই ওইখিবা এদ্রিয়ান মানারিনোনা অকনবা লম্বা পীরত্তুনা টাই ব্রেক ফাওবা শান্নরকখি। টাই ব্রেক শান্নরকপদগী অনীশুবা সেট অদুদা স্পেনগী রাফেল নদালনা অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৮–৬ তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। রাফেল নদালনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু থোইরম্বা বলগেরিয়াগী জি দিমিট্রোভকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুনিসিয়াগী মালেক ঝাজিরি অমসুং কানাদাগী মিলোস রাউনিক্না লম্বা তৌনখিবদা মিলোস রাউনিক্না ৬–৩, ৬–৪ দা থোইবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদুদা কানাদাগী মিলোস রাউনিক্না টুনিসিয়াগী মালেক ঝাজিরিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদসু ৬–৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। কানাদাগী মিলোস রাউনিক্না মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী কারেনো বুষ্টাগা লম্বা তৌনরগনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা য়ুক্রেনগী ইলিনা স্বিটোলিনানা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভাগা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনখিবদা ইলিনানা গভ্রিলোভাবু ৭–৬ (৭–৩), ৬–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বৃটেনগী জোহানা কোন্টা অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী শান্নরোই ঝাং স্বাইনা লম্বা তৌনখিবদা বৃটেনগী শান্নরোই অদুনা ৬–৪, ৬–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। জোহানা কোন্টানা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু জেক রিপব্লিক্কী পেট্রা কিটোভাবু অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৩, ৭–৬ (২–৭), ৭–৬ (৫–৭) দা থোইরম্বী য়ু এস এ গী মেদিসন কজিনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা য়ু এস এ অমসুং জেক রিপব্লিক্কী জুরা ওইখিবা মাটেক সেন্দ অমসুং লুসি সফারোভানা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা য়ু এস এ অমসুং চাইনাগী জুরা সি মেকহেল অমসুং এস পেংবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী জে জোর্স অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বা কানাদা অমসুং স্পেনগী জুরা জি দাব্রোস্কি অমসুং মার্টিনেজ সঞ্চেজগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সকী জুরা কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং কে লাদেনোভিসনা দেনমার্ক অমসুং লাটভিয়াগী জুরা টি বাস্কিন্সকি অমসুং জে ওষ্টাপেনকোবু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা স্পেন অমসুং জিওর্জিয়াগী জুরা ওইখিবা অরুআবারেনা অমসুং ও কালাসনিকোভাবু ৬–২, ৬–০ দা থোইরম্বা চাইনিজ তাইপৈগী জুরা চান হাও চিং অমসুং চান য়ুং জানগা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়াগী রুথভিকা, সিরিল অমদি প্রনব–সিকি রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টনদা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে


রুশিয়ান ওপনদা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সিক্কি রেদ্দি অমসুং প্রনব জেরি চোপ্রা

*ব্লাদিবোষ্টোক, ওক্তোবর ০৭ঃ*
রুশিয়াগী সহর ব্লাদিবোষ্টোকতা চথরিবা রুশিয়ান ওপন গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা নুপাগী সিঙ্গলসতা সিরিল বর্মা, নুপীগী সিঙ্গলসতা রুথভিকা সিবানি গাদে অমসুং মিক্স দবলসতা প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিকি রেদ্দি সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ৪ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী ইন্দিয়াগী রুথভিকা সিবানিনা রুশিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না আশা তৌনা শান্নরকখিবী এলিনা কোমেন্দ্রাস্পকয়াগা ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা মিনিট ৫২ চুপ্পা লম্বা তৌনরবা মতুং মশাগী চহী ১৮ দা ঙাইরিবা সিবানি রুথভিকানা অহানবা গেম শোথরম্লগা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অহানবা গেম অদু রুশিয়াগী এলিনানা রুথভিকাবু ২১–১৩ দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী সাউথ এসিয়ান ফেদরেসন গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট রুথভিকানা ২১–১০ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নরকখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদুনা রুশিয়াগী এলিনাগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্লবসু ২১–১৭ দা গেম অদু থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

সেমি ফাইনেলদা রুথভিকানা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই অতোপ্পা রুশিয়াগী সেনিয়া পোলিকারকোভাগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সিরিল বর্মনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মালেসিয়াগী শান্নরোই জুলহেলমি জুলকিফ্লিবু য়াম্না কোম্না ২১–১২, ২১–১৮ দা শুপ্পগী পুংখায় অমগা মিনিট তরুত্তা মায়থিবাপীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী সিরিল বর্ম কুমজা ২০১৩ দা চহী ১৫ মখাগী জুনিয়র এসিয়ান চেম্পিয়ন টাইটল ফংখিবা অমদি চহী অদুমক্তদা বেদমিন্টন য়ুথ এসিয়াগী মকোক ওইখিবা অদুদগী ইন্দিয়াগী সেনিয়র টিমদা নৌনা শরুক য়ারকপনি। সিরিলনা সেমি ফাইনেলদা রুশিয়াগী শান্নরোই এনাটোলি য়ার্টসেপকা লম্বা তৌনরগনি।

রুশিয়ান ওপন গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী এন সিক্কি রেদ্দি অমসুং প্রনব জেরি চোপ্রানা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রুশিয়াগী জুরা আলেকজেন্দর বাসিলকিন অমসুং কৃষ্টিনা বর্বিসকা শান্নবদা ২১–১০, ২১–৮ তা থোইখিবনি।

ইন্দিয়াগী জুরা অদুনা সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা রুশিয়াগী জুরা এন্টোলি য়ার্টসেপ অমসুং ইপজেনিয়া কোসেটস্কয়াগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই তনবি লর রুশিয়াগী কোসেটস্কয়াগী মখুত্তা ১৬–২১, ১৯–২১ দা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌবনি। লোয়ননা মিক্স দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা জুরা জকমপুলি মেঘনা অমসুং পূর্বিসা এস রামসু ক্বার্টর ফাইনেলদা রুশিয়াগী তাতিয়ানা বিবিক অমসুং এলিনা কোমেদ্রোস্পকয়াগী মখুত্তা ১৪–২১, ২১–১৩, ১৮–২১ দা মায়থিহৌখি।

# ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপকী অহানবা মেটচতা সাউথ কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীখ্রে



*অহমেদবাদ, ওক্তোবর ০৭ঃ*
ইন্দিয়াগী গুজরাটকী অহমেদবাদ সহরদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড কপ কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা অহৌনবা নুমিৎতা য়ুম্বু ওইখিবা ইন্দিয়াবু সাউথ কোরিয়ানা পোইন্ট ৩৪–৩২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

কবাদ্দি মশান্না অসি ইনিদয়াদগী হৌদোকখ্রবা মালেমগী তোঙান–তোঙানবা জগাশিংদা শান্নরোইশিংনা পাম্নবা মশান্না অমা ওইরকপগী তাঞ্জা অদু লাক্লিবনি। মসিদা ঙসিদগী অহমেদবাদ সহরনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা অহানবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা য়ুম্বু ওইবদা নত্তনা মশান্না অসিগী হৌরকফম ওইরিবা ইনিদয়াগী টিম্বু মশান্না অসিনা নৌনা খোঙদারকখিবা সাউথ কোরিয়াগী টিম্না য়াম্না লম্বা মান্নবা মওং দা পোইন্ট ৩৪–৩২ দা হেন্দুনা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী ফল য়েংনরুবদা ইন্দিয়াগী কবাদ্দি শান্নরোইশিংগী ওইনদি য়াম্না ইকাইনিংঙাই ওইবা তাঞ্জা অমা ওইখি। মশান্না অসিগী হৌরকফম ওইরগা মশান্না অসিবু চাউখৎনবগীদমক তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা মশান্না অসিবু পাম্ননবা হোৎনখিবা থবকশিং অদু মায় পাকপা ঙম্লে হায়বদ সাউথ কোরিয়ানা অহানবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপকী অহৌবা নুমিৎতা য়ুম্বু ওইখিবা ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীখিবা অসিনা মশান্না অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু য়াম্না থৱায় তানা পাম্নরি হায়বদ উৎপা ঙমখি।

কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ অদুগী অহানবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপা মিনিট ২০ দা সাউথ কোরিয়াবু ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১৮–১৩ দা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবগী মিনিট২০অদুগী শান্নবদসু ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু হেন্দুনা পোইন্ট ২৯–২৭ দা লৈখি। মদুগী মতুং তারকপদা সাউথ কোরিয়াগী জাং কুন লিনা রেদ তৌখিবদা মপুং ফাবা পোইন্ট ৩ ফংদুনা স্কোর মান্নবা ঙমখি। মদুগী মতুংদা ইন্দিয়াগী অনুপ কুমারনা বোনস পোইন্ট অমা ফংলবসু সাউথ কোরিয়াগী জাং কুন লিনা পোইন্ট ৪ ফংখিবদা ইন্দিয়াগী বোনস পোইন্ট ২ ফংলগা পোইন্ট ৩৪–৩২ দা সাউথ কোরিয়ানা থোইদুনা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপকী অহানবা মেটচ মখোয়গী ওইখি।

# ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়রদা সাউথ কোরিয়ানা কটারবু থোইখ্রে

*সুৱোন, ওক্তোবর ০৭ঃ*
কুমজা ২০১৮ দা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবগীদমক্তা মালেমগী ফুটবোল কনফিদরেসন ৬ কী তোঙান–তোঙানবা টিমশিংনা শান্নরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ক্বালিফায়িং মেটচশিংগী মনুংদা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা কাটারবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা ৱার্ল্ড কপ্তা ক্বালিফাই ওইনবগী চঙশিল্লিবা খোঙথাংদা সাউথ কোরিয়াগী ওইনদি অফবা লম্বেল অমা ফংলি।

মেটচ অদুদা সাউথ কোরিয়া অমসুং কাটারনা শান্নবদা অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল ২–২ লৈনরম্বদগী সাউথ কোরিয়াগী কি সুং য়েননা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

সাউথ অমেরিকাগী কোনকাকেফ ফুটবোল মখাদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা ব্রাজিলগী টিম্না বোলিবিয়াগী টিম্বু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

অমরোমদা গ্রুপ অদুমক্কী টিম অমা ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী টিম্না ঙরাং শান্নখিবা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়রগী মেটচ অমদা পেরুগা পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা উরুগ্বেনা ভেনিজুয়েলাবু মায়থিবা পীখি। উরুগ্বেগী মায়কৈদগী ইদিনসন কবানিনা মেটচ অদুগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনীমক চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা ভেনিজুয়েলাগী শান্নরোইশিংনা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইননবগীদমক মখা তাবা পাঞ্জল ফংনবা হোৎনরকখিবশিং অদু উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মখোয়গী গোল লাইন থিংখিবগী অরেম্বা তাখি।






Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*